## ককচীংগা তাইনরিবা ঐচ টি লাইন পূনবা খুলশিং মৈ তোয়না লাক্তবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুহল্লে

**ককচীং, মে ১২ (ঐচ এন এস) :**
ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চল্লিবা দিষ্ট্রিক্ত অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিস য়াওনা মরুওইবা ওফিসশিং অমদি ককচীংগী অকোয়বা মফমশিংদা মপূং ফানা ইলেক্ট্রিসিটি পীদবনা মরম ওইদুনা ককচীং অমসুং ককচীংগা তাইনরিবা ঐচ টি লাইন পূনবা খুলশিং মৈ তোয়না লাক্তবদগী ওফিসশিং, বেঙ্কশিং অমদি লন্নাই ইন্দষ্ট্রি মচা-মচা তৌরিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ল হল্লে হায়রি।

নোং, নুংশিৎ তৌখিবনা মরম ওইদুনা মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কোওপরেসন লিমিটেদকী থৌদাং ওইরিবা হৈককপোকপীদগী ককচীং ফাওবা পুরক্লিবা ঐচ টি লাইন অমসুং ৩৩/১১ পাৱর সব ষ্টেসনগী শরুক্তা ইন্সুলেটর য়াদবনচিংবা য়াওবনা মৈ তত্তনা লাক্তবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি হায়রি।

এম এস পি দি সী এলগী থৌমীশিংনা নোংজু নুংশা খাক্তনা অথুবা মতমদা শেম্নবা হোৎনবা মীয়াম্না থেংনরকখি। ককচীংগী ইলেক্ট্রিসিটিগী ফীভম নুংঙাইরে হায়না মীয়াম্না ফোংদোক্লরবা মতুংদা অসিগুম্বা খুদোংচাদবা অমুক মায়োক্লরক্লি। মণিপুর ষ্টেট পাৱর কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এম এস পি সী এল) গী মখাদা লৈরিবা হৈককপোকপীগী ৩৫/১১ পাৱর সব ষ্টেসন্দা থা অসিগী ৯দা ককচীংগী ঐচ টি লাইন পীরিবা পেনেল মেছিন অদু মৈ হৌদুনা চাকখি হায়রি।

নুমিৎ অদুদসু মেছিন শন্সদা মতম য়াম্না চঙবনা মরম ওইদুনা মৈ মপূং ফানা পীবা ঙমখিদে। মেছিন অদু চাকখিবনা মরম ওইরগা চান্দেলগী ঐচ টি লাইন পীরিবা পেনেলদা ককচীংগা চান্দেলগা পেনেল পূন্না মৈ পীবা হৌরকখি হায়রি।

পেনেল অদুনা পিকঅপ অৱারগী মতমদা মৈ পূন্না পীবা ঙমদবনা পুং অমমম রোষ্টর তৌরকখি হায়রি।

ঙরাংসু এম এস পি দি সী এলনা ৩৩/১১ পাৱর সব ষ্টেসন হৈককপোকপীগী কেম্পস মনুংদা মৈ শেম্নবগীদমক অয়ূক পুং ৯দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা ককচীংগী পেনেল মৈ মুথৎখি। মৈ মুথৎলিঙৈ মনুংদা ৩৫/১১ সব ষ্টেসনগী পেনেলসু শেমখি হায়রি।

নুংথিলদা মৈ পীগদবদা নুমিদাং পুং ৭ খরা হেল্লকপদা মৈ থারকখি। অদুগা মিনিট খরা মৈ লাক্লম্লগা অমুক মুৎখিবনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহনখি। এম এস পি দি সী এলনা পাউচেশিংদা মৈ মুৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লগনি হায়না ফোংদোরকখিবা অদু করিগীনো হায়না হংলুবদা ককচীংদগী পুরক্লিবা ঐচ টি লাইনগী ইন্সুলেটর অমা য়াদবগী মৈ মুৎপা ওইরমখি। এম এস পি দি সী এলগী থৌমীশিংনা য়াদবা মফম খঙদোক্তুনা শেম্বা লোইরগা মৈ হাপ্পবা হোৎনরুবদা মৈ হাপ্লীয়ু য়াখিদে হায়বা ৱাফমসু ফোংদোরকখি।

করিগীদমক্তা মৈ হাপ্পা য়াদবনো হায়না এম এস পি সী এলগী ষ্টাফশিংদা হংবদসু মপূং ফাবা পাউখুম পীরকখিদে। এম এস পি দি সী এল অমসুং এম এস পি সী এল অনীগী মরক্তা পাউ ফাওনবা ৱাংপা মানবগী মমি অমা তারিবা অসিদা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

মীয়াম্না প্রী পেদকী খূথাংদা মৈ লৈদুনা শীজিন্নরবা মতম অসিদা এম এস পি সী এল অমসুং এম এস পি দি সী এলগী মরক্তা পাউ ফাওনদবদৌনা তৌবগী থৌওং অসি মীয়াম্না নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

## লোনা য়াদবা মওংদা লম খোপচিনবশিং লেপ্তুনা তকখায়বগী থবক চংখরি



**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস) :**
লোগী ৱাংমদা নোর্থ এ ও সী, নাগা নলা অমদি দিঙ্কু রোদনচিংবা মফমশিংদা লম খোপচিন্দুনা যূম শাজিল্লম্বা, দুকান ফমজিল্লম্বা অমদি পোৎফম্নচিংবা ফমজিল্লম্বশিংবু পুলিসকী মতেংগা লোয়নবা তকথোকপা হৌখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ত পুলিসকী এদিসনেল এস পি (ওপস) এল প্রিয়াদর্সনি অমদি এস টি পি ও আই শর্ম্মা অমদি মরী লৈনবা ওফিসল কয়া য়াওনা ঙসি অয়ূক পুং ১১দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা নাগা নলাগী ঈরম-খোংলম শেংদোকপগা লোয়ননা লোগী ৱাংমদা লম খোপচিল্লম্বশিং তকথোকখি।

নোর্থ এ ও সীগী তম্ফা হোটেল মমাঙদা অমদি ফুটপাথ মথক্তা লোগী ৱাংমদা টিকেট কাউন্টরশিং হাংলম্বশিং লৌথোকহনখি। অমরোমদা, এক্সাভেটর শীজিন্নদুনা নাগা নলাদা অমোৎ অকায় ময়াম পৈশিন্দুনা লৈরম্বা অমদি ফত্তবা পোৎলমশিং লৌখৎলগা পৈশিন্দুনা থমখি। নাগা নলাগী নাকল অনীমক্তা যূম মচা-মচা শাজিল্লম্বশিং তকথোক্তুনা লৌথোকপা হৌখ্রে।

## লাই হরাওবগী থৌরমদা অহৌবা মাইক্কী খোঞ্জেল পীকথহনুনা ঈংনা থৌরম পাঙথোকপিয়ু

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস) :**
লৈবাক অসিগী লাই হরাউবা মতমদা ঐখোয়না লাইবুংদা লাই শান্নরিবা মাইবা, মাইবি অমদি পেনা খোংবনা শক্লিবা লাইরোল অদু নীংথিনা ময়েক শেংনা তিল্লিবা মীয়ামদা তাহনবা ঙম্নবা মাইক শীজিন্নরি। অদুবু হৌজিক ঐখোয়না শীজিন্নরিবা অহৌবা মখোলগী হোরোল অমদি স্পীকরদগী থাদোরকপা খোঞ্জেল অসিদি স্পীকরগী মাংদা, মপাদা ফম্বা মীওইশিংদি মখোলদু তাবদা নাকোং দ্রম কাইগদবা অমদি মশাদু পোখাইগদবা মানবা ফাওরিবনি মসিগী মরমদি থাদোক্লিবা খোঞ্জেল অদু তাবা য়াবা চাং অমদা থমদবা শীজিন্নরিবা মেছিন অদু অরোইবা মপাঙ্গল মখৈ য়ৌনা থাদোরকপনা ওইরিবনি। লাই হরাউবদা মাইক শীজিন্নবা মতমদা মাগী হৌবগী খোঞ্জেল অসিদি লাইবুঙদা চেন চোংলিবা লাই সেলুংবা নত্রগা লাই কম্মিটিনা য়েংশিনবা অমা চঙই, মথৌ তাই। লাইবুঙদা মাইবা মাইবী অমদি পেনানা লাইরোল লাওরিবা অদু কিলোমিটর কয়া লাপ্না তাহনবগী মথৌ তাদে শুপ্ন তগী লাইবুঙগী অকোয়বদা তিল্লিবা মীয়াম অদুদা শক্লিবা লাউরিবা লাইরোল অদু ময়েক শেংনা তাবা ফংনবা খোঞ্জেল অদুতমক থাদোকপিগদবনি, মাইক্কী কা হেন্না হৌবা মখোলনা লাইবুঙদা লাই হরাউবগী লাইরোল তানিংদুনা ফমজরিবা অহল-লমনশিংদা শক্লিবা লাইরোল অদু নীংথিনা তাবা ঙমদবনা নত্রনা মশাদা থুকৎপা ফাওবা ফাওহল্লি, লাইরোল লাওরিবা পেনা মাইবিদসু অকাইবা পী। মখা তানা য়ুমলোন্নরিবা খুনজাশিংদসু অশুক্কী মতিক অকাইবা পি - অকোইবদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা খুল লান্না থবক চৎনরুরগা ময়ুমদা হঞ্জীন্নদুনা অৱাবা পোত্থরিবা মীওইশিংদা অকাইবা পিবতা নত্তনা অশোন, অনাশিংদদি অসুক্কী মতিক খোইদৌ শাওগৎহল্লি, অহিং থেংলবা ফাওবা তুম্বা য়াহনদে। মরু ওইনা লাইরিক পাজরিবা মহৈরোইশিংদদি পুক্লিং লৈতাহন্দে।

মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয়গী লাই হরাওবা হায়বা থৌরম অসি য়াম্না লুবা থৌরম্নি লাইবুঙদা ফমদেঙদুনা ঙানথোইদুনা লৈরিবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনিগী শক্তম অদুদা থৱায় হাপ্ন বা অহিংবা ওইহন্নবগীদমক থৱাই পুন্ন মক্কী তুংনফম ওইরিবা ঈশিং হায়বদুদগী হিরি ফান্দুনা থৱায় কৌখৎতুনা থৱাই হাপখ্রবা অহিংবা ওইরবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনিগী মাংদা লাইরোল লাওদুনা তাইবঙপাল অসি শেন্নকপা, মীওইবনা পলেম মাগী পীবুকনুংদা লৈঙৈদগী তাইবঙপাল ফাওরক্তুনা চাওরক্তুনা য়ুম্বাল তমদুনা পুন্সি লোমদুনা পোকপা শিবা, লেপ্তুনা চথরিবা চগো অমগী মনুংদা উংদনা লেপা লৈতনা চথরিবা তাইবঙপালগী লিল্লা অসিগী লাইরোল লাওদুনা, খুল অদুবু খুঞ্জাও - লৈচাওনবা, নুঙাই য়াইফ পীবিনবা নিজবা থৌরমনি। থৌরম অসিগী পরম, কাংলোন কইবা য়াদ্রবা, পরম কইনা লান্না থৌরম তৌরুবা মতমদা খুল অদু অৱা অনা নংবা ফাওবা য়াওরিবনি। মসি লাও খোংদুনা, লাংদুনা শান্নবা কুমহৈ অমা নত্তে।

মরম অসি লৈবনা লাই হরাওবগী থৌরমদা অহৌবা মাইক্কী খোঞ্জেল পীকথহনুনা ঈংনা থৌরম পাঙথোকপিয়ু হায়দুনা সনা-কোনুংগী মাইকৈদগী লাই সেলুংবা অমদি লাই কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোংদোরক্লি।

## কিশ্বরদা ডাক্তর ইবেয়াইমা ইনোভেসন এৱার্দ পীরগনি

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস) :**
মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিলগী এৱার্দ সেলেক্সন কম্মিটিনা রিকম্মেন্দেসন পীরকপগী মতুং ইন্না এম এস ক্বাকলৈ এন্দ খোঙ্গুন মেলৈ ওর্কিদস প্রাইভেট লিমিটেদ শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দগী ডা. রাজকুমার কিশ্বরদা ডা. ইবেয়াইমা ইনোভেসন এৱার্দ ২০১৮ পীরগনি হায়রি।

মণিপুর সাইন্স টেক্নোলোজি কাউন্সিলগী দিরেক্টর টি ঐচ সুরেন্দ্রনাথনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হায়ব্রিদ ওর্কিদশিং পুথোকপগীদমক ডা. ইবেয়াইমা ইনোভেসন এৱার্দ পীনবা খনগৎখিবনি। এৱার্দ অসি মণিপুরী এসোসিএসন ওফ কানাদা, ওন্টোরিও কানাদানা লৈখিদ্রবা মেম্বর ডা. হিজম ইবেয়াইমগী মীংদা কল্লকপনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশীং ২০, সাইটেসন অমসুং মমেন্টো য়াওরি। এৱার্দ অসি থা অসিগী ১৫গী নুংথিল পুং ২দা অকাম্পাৎতা লৈবা এন ঈ আই এল আই টিদা পাঙথোক্কদবা সাইন্স মীটতা লান্থোক্কনি হায়রি।

## ষ্টেট এৱার্দ ফঙ্কসন

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস) :**
ওল মণিপুর আর্টস এন্দ কলচর এন্দ স্পোর্টস দিভলপমেন্ট সোসাইটি খুরাই খুমিদোক ময়ায় লৈকায়গী ১৮শুবা ষ্টেট এৱার্দ ফঙ্কসন থা অসিগী ১৩দা কলচরেল প্রোগ্রামগা লোয়ননা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

চহী খুদিংগী জুন ২১দা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা থৌরম অসি হন্দক চহীগী ওইনা হয়েং পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা লমদা মীথোই মীহেল্লবা মীওই ১৬তা ষ্টেট এৱার্দ অমসুং মীওই ২০দা নেসনল এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নগনি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং অমগা অমগা পোৎ লান্নদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নসি হায়বগী খোল্লাউ লাউমিন্নগনি হায়না ওল মণিপুর আর্টস এন্দ কলচর এন্দ স্পোর্টস দিভলপমেন্ট সোসাইটি খুরাই খুমিদোক ময়ায় লৈকায়গী সেক্রেটরি জেনরেল মহম্মদ অলটাব হুসেন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস) :**
কংলৈ ইনাৎ য়োকখৎপা লূপ, নম্বোলগী থৌমী অমসুং তেংবাঙলোই ওইরম্বা অকোয়জম য়াইমা মীতৈ, হৈবী মখোং চনুরা কৈথেল উৎলৌদা লৈরম্বনা থা অসিগী ১২দা লৈখিদবদা কংলৈ ইনাৎ য়োকখৎপা লূপ, নম্বোলনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না লূপ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল তোম্বা খুমন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস) :**
পেরেন্টস ফোরম গ্রুপ ওফ এসপিরেন্স এম পি এস সীনা শিন্দুনা এম পি এস সী ক্রাইসিস এন্দ ফেট ওফ য়ুথ ইন মণিপুর হায়বা হীরম অসিদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদুদা ডা. ধনবির লাইশ্রম, সোসিএল এক্টিভিষ্টনা মোদরেট ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ন-লোয়ননা পেনেল মেম্বর ওইনা এস কুঞ্জবিহারি, রিটয়ার্দ আই এ এস, এদভোকেট সী ঐচ মোমোন অমসুং দব্লিয়ু জয়কুমার আর টি আই এক্টিভিষ্ট লোয়ননা জোইন্ট এক্সন কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী কনভেনর এন জি মিলন্না মহৈরোয় লূপশিংগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখি।

খন্ন-নৈনবগী থৌরম অসিদা এম সী এস সী সী (মেইন) এগজাম ২০১৬কী অশোয়বশিং অমদি এম পি এস সীগী অশোয়বশিং মতৌ করম্না চুমথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা খন্ন নৈনখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পেরেন্টশিং অমদি মীওই কয়ানা ৱাহং পাউহং তৌবগী সেসন অমসু চংখি।

মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা য়াওরিবশিংদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩১৫না এম পি এস সীদা পীরিবা মনীং তম্বা অদু এম পি এস সীনা ঙাক্ল া চৎহন্নীংই। জুদিসিয়ারিগী ৱারেপ ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা দেমোক্রে-সিগী ৱাহন্থোক লৈহন্নবা লৈবাক্কী মপি মপা ওইবশিং অমদি এম পি এস সীনা অদুগুম্বা কয়া অদু ঙাক্লা থবক তৌহন্নীংই। জুদিসিয়ারিসু থৌনা লৈনা থবক তৌহন্নীংই অমসুং জুদিসিয়ারিগী ওর্দর অমদি দিরেক্সন মতুং ইন্না শেমখিবা ইনক্বারি কম্মিটিনসু থম্মোয় শেংনা অমদি মনীং তম্না পরম চুম্না থবক তৌহন্নীংই হায়না ফোরম অসিগী কনভেনর এম কোনাচাওবীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## লাইয়িংথৌ সনামহি কিয়োংগী তেংবাঙ

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস) :**
লংমাইচীং (নোংমাইচিং) দা শাগৎলিবা লাইয়িংথৌ সনামহি লাইনিংকোল (য়ুনির্ভসিতি ওফ সনামহি) কলচরগী ময়োল ওইগদৌরিবা সনামহি কিয়োং (লাইশঙ) শাগৎলিবা অসিগী শেলগী তেংবাঙ লেপ্তুনা পীনরক্লি।

তেংবাঙ পীনরক্লিবশিং অদুদি ওক্রম ইবোহল, শিংজমৈ ওক্রম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ৫,০০০, চংঙামযুম মোহেন্দ্রো, পিশুমথোং নিঙোম্বম লৈরক্তা লৈবনা লুপা ১,০০০, খুকমুকচম ইবোহল, কৈশামথোং থাংজম লৈরক্তা লৈবনা লুপা ১,০০০, অহন্থেম সুনিল, কৈশামথোং অহন্থেম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, নোংমৈকাপম গোকুল, কৈশামথোং অহন্থেম লৈকাইদা লৈবনা লুপা, ১,০০০, আর কে খেদাসনা, কৈশামথোং অহন্থেম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, নিংথৌজম কুমার মৈতৈ, কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইদা লৈবনা ১,০০০, কারাম ইরত, য়ুম্নাম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ২,০০০, ডা. লাইথাংবম এঙ্গল, হাওবম মরক কৈশাম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, লাইথাংবম থোইবা, হাওবম মরক কৈশাম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১,০০০, সনসম নবকুমার, শিংজমৈ ওক্রম লৈকাই সনসম কোল্লুপতা লৈবনা লুপা, ১০০০, ক্ষেত্রিময়ুম রামেশ্বোর, কৈশামথোং অহলথেম লৈকাইদা লৈবনা লৈখিদ্রবা মমা, লৈখিদ্রবা মপাবুং পুখ্রম্বম তোলমুগী মিংদা ১,১০০০, নিঙোম্বম মোতিলাল, খোংমন জোন ৪ দা লৈবনা লুপা ১০০০, নিঙোম্বম দেবাব্রতা, খোংমন জোন ৪ দা লৈবনা লুপা ১,০০০, য়েংখোম অশোক, শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইদা লৈবনা লৈখিদ্রবা মপাবুং য়েংখোম বিধুগী মিংদা লুপা ১০০০, লোইতোংবম প্রফুলোকুমার, জোয়কুমার, কৈশামথোং থাংজম লৈরক্তা লৈবনা লুপা ৫,০০০, লোইতোংবম জোয়কুমার, কৈশামথেং থাংজম লৈরক্তা লৈবনা লুপা ১,০০০, থৌনাওজম মনিখম্বা, কৈশামথোং অহনথেম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ১০,০০০, নিংথৌজম বসন্তা, ৱাহেংবম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ২০,০০০, ময়েংবম শামু, চিংঙা মখা লিৱা লক্ষ্মী নিংথৌজম লৈকাইদা লৈবনা লুপা ৫,০০০ তেংবাঙবিরকখি হায়রি।

## থৌ পুবশিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস) :**
ওল মণিপুর মুসলিম য়ুথ এন্দ ষ্টুদেন্ট ওর্গেনাইজেসন (এ এম এম ৱাই এস ও) গী মীফম অমা থা অসিগী ৮দা ওর্গেনাইজেসন অসিগী কৈরাও মাক্তিংদা লৈবা ওফিসতা পাঙথোক-খিবগা লোয়ননা চহী অহুমগী থৌ পুনবা মীওই ৭ খনখ্রে হায়রি।

এ এম এম ৱাই এস ওগী সেক্রেটরি জেনরেলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নৌনা থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি প্রসিদেন্ট ওইনা এম দি ৱাসিম করিম, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা এম দি অলি অকবর খান, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা সহিদ রহিম রাজা, সেক্রেটরি ফাইনান্স ওইনা এম দি টলট মহম্মদ, সেক্রেটরি ওর্গেনাইজেসন ওইনা এম দি অটরবুট অলম, সেক্রেটরি পব্লিসিটি ওইনা এম দি রহিম খান অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা এম দি সমির অজিরনি হায়রি।

## এমসু, কাদানা শিন্দুনা অৱাং খুনৌগী কম্বাইন্দ ইংলিস স্কুলদা নোংমগী ওইবা এন্টি দ্রগ কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস) :**
ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস মণিপুর (এমসু) অমদি কোলিসন এগেন্স দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) অনীনা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মহৈলোইশঙশিংদা লেপ্তুনা চথরকপা একাদমিক কেম্পইন লেন ষ্টেন্দ এগেনষ্ট সবষ্টেন্স এভিয়ুজ) হায়বা বেনরগী মখাদা চথরকপা এন্টি দ্রগ কেম্পইনগী মনুং চন্না ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা অৱাং খুনৌদা লৈবা কম্বাইন্দ ইংলিস স্কুলদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল কে ঐচ রঞ্জন, কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ত কমিতিগী সেক্রেটরি জেনরেল কৌথৌজম ইন্দিরা অনীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রিসোর্স পার্সন ওইনা কোন্থৌজম সুর্জলাতা (প্রোফেসনেল কাওন্সিলর) অমদি গীতচন্দ্র মঙাং,




ফাইনান্স সেক্রেটরি কাদানা শরুক য়াখি। এমসুনা মহৈশঙশিংদা চথরকপা এন্টিদ্রগ কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা মমাঙদসু স্কুল কয়াদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্ল মহৈরোয়শিংদা পীরিবা চৈথেংগী মরমদা খন্ন নৈনবগী মীফম কয়া পাঙথোকখ্রে।

## ঈথায় বারাজ লৌথোক্লবা তকশিন্দুনা রেল্লি পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস) :**
মণিপুর লৌমী লুপ্না শীন্দুনা কুম্বী কোলেজদা পব্লিক মীটিং অমসুং রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে। রেল্লি অদুগী মরু ওইবা খোল্লাউঅমসুং দিমান্দদি লোক্তাক পাৎ কল্লু, লোক্তাক প্রোজেক্ট থিংউ, ঈথায় বারাজ লৌথোকখো, চীংদা উমং শেমগৎলু, চেক দামশিং মরাং কায়না শাগৎলু, মাইক্রো হায়দ্রেল প্রোজেক্ট পায়খৎলু প্রোজেক্টনা মাঙহনখিবশিংগী কম্পেন্সেসন পীগদবনি অমসুং মণিপুরগী লৌমী কল্লু হায়বশিং অসিনি।

রেল্লিগী পব্লিক মীটিংদা প্রসিদিয়মদা লৌমী লুপগী এল শীংহজিৎ, হান্নগী মিনিষ্টর দা. এম নর, সি পি আইগী সেক্রেটরি এল সোতিনকুমার অমদি তোঙান তোঙানবা লৌমীগী লুপকী লুচিংবশিং ফেদরেসনগী লুচিংবশিং দাইজদা লেংশিন্দুনা মোইরাংথেম মেঘচন্দ্রনা ৱা ঙাঙবগা লোয়ননা হৌরগা শক্লাইরবা লুচিংবশিং মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না মণিপুর লৈঙাক্লা থবক তৌগদবনি হায়না ফোংদোকখি।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকখিবা লৌমী লীশিং ২ রোম তিনখিবা পব্লিক মীটিংদা এল সোতিনকুমার সি পি আই ষ্টেট সেক্রেটরিনা ৱা ঙাঙবদা মালেমগী মফম কয়াদা পাৎ কন্নবা হোৎনরিবা থৌদাংশিং অদু লৈঙাক্লা পায়খৎকদবনি হায়খি। দা. এম নরানসু মণিপুরী ফুরুপ কনগে চাউখৎহনগে হায়রবদি লোক্তাক কল্লু নত্তনা ওইথোক্লোই হায়খি। অরোইবদা কুম্বীগী অকোয়বদা খোল্লাউশিং লাউদুনা রেল্লি চৎখি। লোক্তাক পাৎনা মরম ওইদুনা শোকহল্লবা অকোয়বগী লৌফমশিংগী মপূশিংদা লৈঙাক্লা কম্পেন্সেসন পীনবা মমাঙদগী তকশিন্দুনা লাকখি। অদুবু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা পীবিদনা লৈরি।

## ইবোতোম্না গার্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুল অৱাৎ অপানা থল্লে : এমসু

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস) :**
এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ত কম্মিটিনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা কেম্পইন ফোর টোটেল এদুক্যেসনগী শরুক অমা ওইনা উরিপোক্তা লৈবা ইবোতোমসনা গার্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা য়েংশিল্লুবা মতমদা স্কুলগী লাইব্রেরি ফাওবা মওং মরীল তাদনা, অহাংবা কা মচা অমদা লাইরিক খরা থমজিনবীরগা লাইরিক পানবা ফমফম ফাওবা অমত্তা লৈতনা য়াম্না ফিভম তাদবা মওং অমদা লৈরম্বা থেংনরকখি হায়রি।

নুপী ঙাক্তগী স্কুল ওইরবসু অফবা মহৈরোই কয়া পুথোক্তুনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী অচৌবা মাই পাকপগী মশক মীয়ামদা উত্তুনা লাক্লিবা স্কুল অমনি। অদুবু অসিগুম্বা স্কুল অসিদা লাইব্রেরি অসি য়াম্না থম্মোয় শোকনিংঙাই ওইবা মওংদা লৈরম্বা থেংনরকখি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মতৌ করম্না ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লৈঙাক্কী স্কুলশিং ফগৎহনগনি হায়রিবনো। এদুকেসনদা অহেনবা মীৎয়েং চঙগনি তন্না লোউরবসু মমাঙ থক্তা শোখরিবা, শিথরিবা অসিদগী থোইনা ফগৎপা উদে হায়না এমসুনা লৌই। মীয়াম্না অমদি এমসুনা পল্লিবা লৈঙাক অসিদা চপ চাবা থাজবা থমখিবনি অদুবু মীয়ামগী থাজবা অসুম অসুম ময়েং তারক্লিবসি চীনগা খুৎক্কা মান্নদবা মীয়ামদা ঙহাক্কী পেন্নবা ফোংদোকপা থবক ওইনদি নোংমতা উত্তবা অসিনি। অচৌবা থাজবা অমগা লোয়ননা লায়রবা মহৈরোই লীশিং কয়ানা কম্মন ইন্ট্রান্স টেষ্ট (সেট) থাদুনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা তমহনবা মমাঙ থাবা তানরি। অদুবু মনুংদা লৈরিবা য়েংখিবীদ্রবা, মওং তাদবা কয়া অসিনা মহৈরোইশিংদা নীংহন্নবা হেক হেক পোকহল্লি। সেটদা খল্লক্তুনা স্কুল অসিদগী হায়দুনা লাক্কদবা মহৈরোইশিং মতিক চাবা ফমফম লৈহৌদ্রি। মতমগী মতুং ইন্না মহৈরোইগী কেপাসিতিগী য়েংবীরগা অনৌবা বিল্ডিং ব্লোক হাপচিনবীয়ু, লাইব্রেরি থম্বীয়ু, অরাপ্পা মফমশিংদগী লাকপা মহৈরোইশিংগী য়েংদুনা স্কুল কেম্পস মনুংদা হোষ্টেল অমসু থম্বীবা, শাবিনবা লোয়ননা ক্লাস নাইন্দগী টুৱেলব ফাওবা লৈরিবা স্কুল অসিদা শুপ্নগী এম আই এল (মণিপুরী) গী ওইনা ওজা অনী খক্লা মেনেজ তৌবদা অৱাবা ওইরে অনৌবা সেসন অসি হৌদ্রিঙৈদা এম আই এলগী ওজা অনী অমগা হাপরিক্লবা স্কুলগী মায়খৈদগী ফোংদোরকখি। অসিগুম্বা অৱাৎ অপা কয়াসি অথুবদা মেনখৎপিবা এমসুগী মায়কৈদগী এদুক্যেসনগা মরী লৈনবা দিপার্টমেনটশিং মরু ওইনা এদুক্যেসন দিরেক্তর অমদি এদুক্যেসন মিনিষ্টরগী পুক্লিং চিংশিনজরি হায়রি।

## মোইদাংপোক্তা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংগী মে থাগী পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস) :**
ইন্টরনেসনেল হেন্দিকেপ ৱেলফ্যার মিসন খুমবোং - মোইদাংপোকনা হৌখিবা কুমজা ২০০৯ গী জন্যুৱারিদগী ঙসিফাওবা থা খুদিংগী ওইনা হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবশিংদা পীদুনা লাকপা পেন্সন, মে থাগী পেন্সন য়েন্থোকখ্রে।

ইন্টরনেসনেল হেন্দিকেপ ৱেলফ্যার মিসনগী সেক্রেটরি জেনরেল লোকেন্দ্রো লোংজমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মে থাগী পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরম থা অসিগী ১১ অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা মিসন অসিগী ওফিসতা য়েন্থোকখ্রে। হকচাংগী ফিভমদা মীমান্নদ্রবা মীওই ২০০২ দা পীদুনা লাকপা লুপা ২০০/২০০ গী শেনফম য়েন্থোকখি। শেনফম অসি কোনথৌজম এক্স এম এল এ কোনথৌজম শরত অমসুং ফাদর ওফ এল নবকিশ্বর পদ্মশ্রীনা কত্তুনা লাকপনি।




পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরমদা এক্স এম এল এ কে শরত, এল নবকিশ্বর পদ্মশ্রী ফাদর ওফ হেন্দিকেপ, টি ঐচ নিলমনি মেম্বর য়ুরেম্বম জেৎ পি, টি ঐচ গভবির লেন্দদোনরনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## কংলাদা মীফম পাঙথোক্তুনা চীং-তমদা লৈরিবা লাইফমশিং ঙাক শেন্নবা ৱারেপ লৌসি

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস) :**
মণিপুরগী হান্না লৈজরম্বা লাইনীং-লাইশোন পূন্নমক ওন্থোক্তুনা মীঙোন্দগী তাংলগা হিংবা, ইশাগী ফিরেপ চুম্না লেপ্পা ঙমদবা মীখা পোন্না পুন্সি মহিং অমা ওইরে হায়না কংলা গ্লোবেল ওর্ফান ফাউন্দেসন মণিপুরগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, রামান্দি লাইনীং শনে দাকপা লাকপা শান্তিদাস গোসাই কৌবা ময়াং লম্বোইবা অমনা রামান্দি লাইনীং পুশিল্লক্তুনা মমাঙথক্তগী নুংশি চান্ননা লৈরম্বা ইচিন ইনাও ওইবগী নুংশিনবা অদু মহাক্লা পুরকপা লাইনীং অদু শনে দাকপা য়ানবা মহাক্কী লাইনীং অদু চৎলু হায়বা য়াবা মীনা শেংই, য়াদবা মীনা মাঙই হায়না ঙবোং খাওদা নমশিন্দুনা হাৎপা, য়াইরিনা লেংদুনা হাৎপা মসিদা নত্তনা মখল কয়াগী চৈনা চৈথেং কয়া মতমদুগী নিংথৌগী লৈঙাক মখাদা পীখি। মদুনা মরম ওইদুনা হান্না নুংশি চান্ননা লৈরম্বা মীতৈ চীংমী অমদি মীতৈ তম্মী অনীসি মচেৎ মচেৎ তানা থুগাইবা হৌরকখি। মৈতৈ/মীতৈ, মৈতৈ চীংমী ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা লুরবা পুয়া কয়া অমদি লুনা খঞ্জবা ইপা ইপুশিংনা লাৎলম্বা লাইফম কয়া থুগাইদুনা মাঙহনবীখি। মমৈথংদা মহাকপুসু নিংথৌগী মনাই অমনা গোসাইনা পায়রকপা খুজাইনা থোমদুনা হাৎখি। খুজাইনা থোমদুনা শান্তিদাসপু হাৎখিবা মফম অদু ঙসি ফাওবা খুজাইলোক হায়না লৈরি হায়রি।

অহল-লমন অমদি ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা পুয়া কয়া পারুবা মতমদা থেংনবদদি শান্তিদাস গোসাইনা লৈত্রিঙৈগী মমাঙদা হান্না লৈজরম্বা লাইফম খুদিংদা লাৎলিবা লাই খুদিংমক মখোঙ-মখূৎ পাল্লম্মী। মসিগী মরম মহাক্লা মতম অদুগী নিংথৌদা হায়জিন্দুনা লাইফম খুদিং থুগাইয়ু হায়রকপা মতমদা সনামহীগী শক্তম থুগাইবা মতমদা মখূৎ নাম্মা, মখোঙ নাম্মা পাইখি হায়রিবা অসিনা তাকপদি হান্নগী লাইশিং অসিগী শক্তম অসি মখোঙ-মখূৎ পাল্লি তাকপনি। হৌজিক্ল া পানদ্রিবগী মরমদি পূম্নমকপু শুমদুনা থম্বগী মতমদুদা শান্তিদাস গোসাইনা লৈবাক নিংথৌদা চিরোল তৌদুনা থমাইশিনখিবদু কোক্লবা মচা-মশু ওইবশিংনা হৌজিক্তি লাৎলিবা লাইফম খুদিংমক্তা লৈরিবা শক্তম খুদিংমক মখোঙ-মখূৎ ৱাৎতনা হাপ্পা তাবনি অমদি অসুম্না তৌরকপসিনা লমদম অসিগী মীওইশিং মীকপ থোকপা হায়বদু ওইগনি হায়রি।

ঙসিমকসু ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী চীং অমদি তমদা লৈবা লাইফম ৩৬ শারগনি হায়না লাউথোকখিবা অদু মরুওইবা লাইফমলেন ৫০ শানবগী অয়াবা মুন্না খনবীরগা মফম কয়াদা চাইথোক্তুনা লৈহৌরিবা পুয়া কয়া কংলাদা পুখৎলু হায়না লাউথোকপীনবা অমদি চৎন-পথাপ কাঙলোন অমদি লাইনীং-লাইশোন লেপথোকপীনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

লায়রবা ময়ূম-ইঙ্খোল লৈজদবা মীওইশিংগীদমক লৈঙাক্লা লাইফমলেন শেমগৎকদবা মফমগী অকোয়বা চীংখোংগী মনাক্তা মফম চাবা খল্লগা ময়ূম শাবীদুনা লাইফমলেনশিংবু মপূগুম্ন া ঙাক শেলহনবীয়ু। হায়রিবশিং অসি পূন্না লাউথোকপীনবা মরী লৈনবশিং ইবুধৌ মার্জিং, ইবুধৌ খুমুলেম্বা, ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখংবা, ইবেন্থৌ লাইস্না থৌগল লোইশঙ, কংলা ফমথৌগী মাইচৌ-মাইনৌ, উকলগী, হিরিকোনগী লাইনিংথৌ সনামহী লৈমরেল অপূনবা, ওল ইন্দিয়া দলিট দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, ওল মণিপুর দলিট দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, সলাই তরেৎকী অপূনবা মীওইশিং অমদি চীং অমসুং তমদা লৈরিবা লাইফম খুদিং অসিবু ঙাক্ল বা মীওইশিং অমদি চিংথহৌবা লূপ খুদিংমক্কী মীওইশিং য়াওনা অচৌবা মীফম অমা নুমিৎ ৭নি চুপ্না কংলা লাইফমলেন্দা অথুবদা পাঙথোক্লবা লাউথোকপীয়ু হায়রি।

মসি নত্তবা তারবদি ইপা-ইপু অমদি তুংগী মীরোলনা থিনা ঙাঙনহৌরগনি। মরম অদুনা তুংগী মীরোলগীদমক খনবীরগা থবক থৌরমশিং অসি পাঙথোকপীয়ু। মীফম অদু পাঙথোকপদা লৈঙাক্লা লূপ অমখক্কী ইন্টরেষ্টতা পাঙথোকপীগনু। মীয়াম পূন্না খন্ন-নৈনরগা অচুম্বা লম্বী য়াৎপীয়ু হায়রি।

## মরী লৈনদে

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচ এন এস) :**
কোইরেঙ্গৈদা থা অসিগী ৯দা বোম পোকখায়বদা চেন্নবা মীওই ৫ ফাখিবগী মনুংদা ইরোম ওংবী কুমুদিনি (৬০) মপূরোইবগী মীংনা লৈখিদ্রবা ইরোম ইবোয়াইমা লৈফম শমুশঙ লাইরেম্বী লৈরক হায়রিবা অসি লৈকায় অসিগী মীওই নত্তে মতম খরগী ওইনা শমুশঙ লাইরেম্বী লৈরক্তা লৈবা নিঙোম্বম ইবেয়াইমগী অশানবা য়ুমদা লৈরম্বা মীওইনি। মরম অদুনা ইরোম কুমুদিনিগা লৈকায় অসিগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে অমসুং লৈকায় অসিগী মীওইসু নত্তে হায়না লক্সা পাইওনর কম্মিটি নাওরেমথোং খুলেম লৈকায়গী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।